# তৌনু তৌহৈদে হায়বশিংবু হেক-হেক তৌগনবা মীওইবা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

***মীগী মপোৎ পামগনু, মিহৌগনু।*** অহল-লমনশিংনা ইতৎ-তত্তনা হায়বীদুনতা লাকখিবনি। ৱারী লাইরিক্তসু অদুম্মক থেংনৈ। হায়জে হায়বৈ ৱানি, ঐখোয় মীওইবসিদি মতা অমনি। ঐসু, নঙসু, মাসু চপ মান্নে। হায়রিবসি লাইৱানি খন্দে, অপান্বা মিহৌবদু তরক-তরক অমখক্তং য়াওজরিবা থোপ মনুংসিদা ফৎ-ফৎ পাইশিল্লকপীনি। কনাগুম্বগী মথোন অৱাংবা য়ুম উবদা কল্লকপীদে হায়বসি চিন্দা শোনবা য়াওরম্বদি য়াই। পূক্লিংদা অপাম-কল্লক মীহৌবা ফাওদবা মীগী মশীং পঙয়াম য়াল্লল্লোই। পামজবা, মীহৌবৈ চাংদি মীগী মপোৎ মরলদি লায়রদনা অতোপ্পগী তালোয়দো নৎত্রগা মপুরোইবদো মীহৌনবদগী ৱাথোক-লান্থোক থোক্লরিবনি। অমরোমদা, শৈশকপা-শৈশকপী, লাইরিক হৈবা-হৈবী, শকহেনবা-শকহেনবী, ফিল্ম ষ্টারনচিংবা ইশম হেক শম্না থোইদোক হেন্দোকপা মগুণনা য়োল্লবা-য়োল্লবীশিংদো ঐ ওইরদি পোকপগী মহয় য়াল্লে খন্নবনা অয়াম্বনি। কল্লক মীহৌবা হায়বসিননি হ্রান-চিন্থি, মীহাৎ-মীপূনগী থৌদোক-ৱাথোক পঙথোক্তা থোরল্লিবসি। মহাভারত, কুরুক্ষেত্র লাঞ্জাওদুগী হৌরকফম কৌরব কাঙবুনা পাণ্ডব কাঙবুগী লম মীকাবগী নত্তবরা? ঐখোয় শ্বাইদসু অদুমঙায় থাঙ শৎনবা, হাৎন-শুনবা ফাওবা য়াওই।

***নুপী, য়ু, জ্বার অহুমসি হন্না য়েংলোইদবনি*** - ৱাখল-লৌশিং চঙখোল্লবা অখঙ-অহৈশিংগী পাউতাক্লি। মমল য়াল্লবা ৱাহৈশিংনি হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্না খঙনরিবনি। খঙনা-খঙনা অহুম্মকসিদা নৎত্রগা অমদা ওইবা য়াই লাইচুবা মীগী মশীং থিঙমদবমখৈ লৈ। থায়না নিংথৌ পাল্লিবঙৈদা লৈমা মশীং য়াল্লগা লেমজবদৌনা খন্নরম্বা মাল্লি। মমা তিন্নদবা নিংথৌ মচা ময়াম্না শান্নরকপা অরোন-অফোং লীলাদা লৈবাক কাং-খোং চাইবদো। হৌজিক মতমগী লৈঙাক্লোই খরসু নুপীদা লাইচুবা য়াওই হায়নৈ, চুম্বা চুমদবদি খঙদে। মীচমদসু অদুম য়াওবজাৎনি। জ্বারগী ৱাসিদি মূৎ-তাকপা য়াওনরিনি। মহাভারতকী পাণ্ডব মচিল-মনাও মঙাগী ময়াম্থুং অহল যুধিষ্টির ধর্ম্ম লৈবদা ফূৎ ফাওখৈ শীংথানরিবনি। মাদো চৌবোরদা লাইচুবজাৎনি, হৌন-হৌনদবা, তৌহৈবা-তৌহৈদবা খন্থখিদে। মরন-মথুম, মরৈবাক চৌবোরদা শিৎ লংনা থাদোকই। করি অমুক হায়রুনি মীনসু-লাইনসু য়াফম থোক্তবনি, মতালোয় দ্রৌপদি ফাওবা থাদোকই। হৌজিকসু শান্নরি জ্বার মখল অমা। মোবাইল ফোনগী হাওসিনি। নুপী ওইবীশিংনা মরু ওইনা মৌনহা, মৌয়াই, মৌরিনা খরা খিৎ মহেনখ্রে। য়ুগী ৱাদি হায়রুদুনা কান্নদ্রে। চাওখৎপনি হায়নগুমসু তৌই নুপী-নুপা অনীমক্লি, লাইচুবা মীগী মশীং থিঙমদ্রে।

অঙাং ওইরিঙৈ মতমগী ৱানি, নোংথী নোংমংবদা তুরেল, ঈথৈ খোংনচিংবদা ঈরুপকনু হায়না থিংই ইমাখোয়না। লাইনা লৌখিনি হায়না ফাওবা কিহল্লি। কিবীখিদে ইমাখোয় খঙহন্দবীদা ইরুপ্পী, শান্নে ঈরোইবী, ঈফূ কাওনবী, লোংদাউ, শামু খোঙপাক মি-মি, শগোল খোঙপাক মি-মি, অমাংবীনচিংবা। করিগুম্বদা ঈরাক্লবসু কোঙ্গায়নি। ঈরৈনরা লাইনরা মদুমদি অশেংবা হায়বা ঙমদে। ঈরাক্লবগী অৱাবদু নোংঙানবগা কাউথোকই। হান্নগী হান্না হামু-হামু হায়বদুনি। মীৎনা উবা লাইনি হায়রিবা ইমা-ইপাদা মীনমখি। ঈরুপলুই হায়বসি খঙখিদনবা মখল-মথেল পাম্বৈনি ঐখোয়না শীজিন্নখিবদু। কুইমন্না ঈশিং মনুংদা অমুক লূপশিন, অমুক ফাওগৎ তৌরুবদগী অমুনবা কফোই মরূগুম্না ঙাংশং ঙাংলবা মীৎশিংদুদা ঐখোয় মশেল অমনা অমদা ফূ-ফূ কামশিন্নখিবদো অৱাবা মথোঙ হুক্তবা থৌওং ঙাক্তনি হায়বসি কোন্নথংদা খঙলকই। য়ুমথোঙ খুদিং চরূ, ইকু পৈনরম্বা মতম্নি, মৈপোক-লাংহৌসু য়াম্না থোক্লনবা। মৈখেৎ খেত্তুনা শান্নদনবা অহলশিংনা হায়বদো শুংলৌ হেক লৌখিদে। চরূ ইকু মখোঙদা চাকথোংবী শান্নখি, মদুসু মৈখেৎ খেত্তুনা চরূ মৈ থারগা। চরূ ইকু মৈ হৌরগা পূমতুম তুম্না চাকপা মতাংসু য়াওখিদবা নত্তে। পূখ্রিদগী শোল্লুবা বালতিনগী ঈশিংদা মায় উপশিল্লগা থল্লবদি নাতোন্দা শলহীক চঙগনি হায়দুনা থক্তনবা কন্না মেল্লন্মী অদুবু অদুম্মক থকখি। অসুম্না তৌনু তৌবা ফত্তে হায়বশিংদো অদুম তৌখি। মদুনসু ওইরম্বা য়াই লাই-তীল থাজবী ওইনা পুশিল্লগা য়াবা-য়াদবা তৌহৈবা-তৌহৈদবা কাঙলোনশিং থম্বীরল্লিবসি।

ঙসিদি ইরমদমসে মথোঙ মরম খঙনদ্রে। ঐখোয় ইকোক ইমৈ খঙনদ্রে। মকোক্তগী মতোন ফাওবা ফত্তে তৌনু হায়বা থবক্তা হেন্না পূক্লিং লূপশিন্নরক্লি। মফম মতম নাইদনা উপাল য়ান্থৎপা তৌহৈদে হায়রল্লিবনি। উ পাম্বীবু নুংশিবীনবা মাঙহন তাকহন্দনবা পাউজেল পীরদুনা হিজিং হিরাউ শৈথা থম্বীরল্লিবনি। লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী য়াথং মতুংইন্না হি শাননবা উ য়াল্লমদাইদা ঈরাৎ থৌনি পাঙথোকখিবনি। মদুদা ঈরোক লাইচম লৈমা অমসুং চীংশাং নিংথৌ অনীনা পলেম-পন্থৌগী শক্লোন লৌদুনা তেংথাখিবনি। উমং ৱামং মরাং কায়রিঙৈ মতমদুদা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা উ অমগী মতিক মগুণ কয়াদা লুনা খঞ্জরল্লিবনো? উমং-ৱামং য়োকখৎপগী অৱাংবা ৱাখল্লোন্দু ঙসিনা করিদগী মমি শামজিল্লক্লিবা? লম্বী অশম্বা চৎপা পাম্বা, শেল জোম-জোম পায়নীংবা মীগী মশীং অসুম-অসুম হেনগৎলকপনা চীংজাউ চীংশাংশিংদা মঙজরম্বা উপাল-ৱাপালগী মহুৎ পোপী লৈরাংনা শিনখ্রে। অহিংবা সনা পাম্বী ওইগদৌরিবা ঐখোয়গী ইচা ইশু কয়াবু দ্রগতা লাইচুহন্দুনা পঙথহন্নবা লাল্লোং লেপ্পা লৈতনা চত্থরক্লি। মহৌশা লাইরেম্বীদা শীংনরুবৈ মহয়না ঐখোয় পুম্নমক অৱাবগী ঈপাক্তা লূপশিনখিবগী ফীভম লাক্লবনি, ইরোইবা হৈবসু-হৈতবসু পুন্না ঈরাকমিন্নবগী মতৌনি।

করপসন তৌফদে হায়, করপসন মতোন চোংলে, মপান মউ লিংদুনা মরূ-মরা তাহনখ্রে। অপীবসু-অরৌবসু হনবা লৈতে। ***ভোটতা শেল লৌরোইসি, ইশাগী হক য়োম্থোক্লোইসি*** অসুম্না হায় অয়াম্বনা। অদুম পীনৈ-লৌনৈ, লৌদবা খরা য়াওরবসু। অসুম্না তৌহৈদবা থৌদৌ ঙাক্তনি উরক-তারক্লিবসি। মশাগীখক্তমক খনবা মীওই খরগী থৌইনশিন্দগী অসুক য়াম্না নীংথিজখ্রবা ইমা লৈবাক্কী মেপ অসি মতৎ-মতৎ থদৎকে হায়রক্লে। মসিবু হায়হৈবা ৱারা? চিনখক্তনা পঙলাউ লাউজবা ওইরবদি মচীন চোক্লকান্দা তোকচখিনি খন্দোকপসু য়াই। অদুবু মীওইবগী পূন্সি লন-থুম, ময়ূম মকৈদা তাইনরক্লে। হ্যুমেন রাইটসু শীংনরিবা থৌওংশিং অসি খামজিন্নবা পোরম-পোমিৎ পুথোকপা ঙমদবগুম্না লৈরি। লাঞ্জেন্নরিবা কয়ানা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা পূন্সিগী ওইনা লৈগে হায়বসু য়ারোইদবা মফমদা নোংমগী চরা অনী পীজরগা অমসুং তূস্ফম খূবাকমুক পাকপা মচেৎ অমমম পীরগা থম্বগী মওংসি কয়াম কুইনা চত্থগদৌরিবনো? মসিসু য়েংহৈদবা শক্তম্নি। মীওইবনা হিংলিবসিবু নোংমগী চরা অনীখক ফংবদুগীরা? ৱাহংসিননি মখোয়বু ওৎ নৈরিবসি। মসিননি মখোয়গী মরক্তা তাইবঙগী মখল-মথেল অৱা-নুংঙাই কুম্হে য়েংনীংদবা য়াওরক্লিবসি। ইমা লৈবাক মচেৎ তাহন্নবা হোৎনবা অচুম্বা নত্তে, তৌনু-তৌহৈদে হায়বদা য়াদ্রিবা, উমং-ৱামং কোকথোকপা পাপকী মশক্লি, লেপ্লো য়াদ্রিবা মখোয়সে মতিক চাবা চৈরাক পীরসি। মখোয় খরনা ইরমদম অসিবু কাং খোং চাইহনবা য়াবরা? খোঙ-খূৎ ওইবা য়াই হকচাংগী মফম অমদা তুম য়ুরবদি মদু অথুবদা শত্তোক্কদবনি। ঐখোয়গী ওইনদি তিঙ্খংদো মৈ থাদোক্লে। শিরবমক্তদা মরূনা য়ুবা হায়বদু থোক্তনবনি নৎত্রবদি ঈ-নাই তারক্কনি, পূল্লক্কনি। ইরমদমগী মেপ অসিবু মতৎ-মতৎ থদৎপা হায়বসে শুংতৌ তৌহৈদবা মচৎনি। তৌহৈদবা থৌওং অসি অসুম্মক চত্থগে হায়না শিখাঙ খাঙলবদি নতেফমদা তেখ্রো, নহনফমদা হনখ্রো হায়বীরিসিনি। ●

# নুংশিনবা শিৎপা

- নবকুমার ওইনা -

লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা মীয়ামসি নুংশিনরি হায়বা য়ারিব্রা? হায়বগীদি য়াই নুংশিনবদি থাজদে, হায়নববু তাদে। মতেং পাংনবগী ৱাদি তোয়না তাই, মদুদি নুংশিনবগী নৎত্রবসু য়াই, নুংশিবীবগী ওইবসু কনানা খঙবা। ব্রোইলর মচীঞ্জাক থাকপা, ঙা মচীঞ্জাক থাকপা, ষণদা শজিক থাকপা হায়বসি কান্নবগীনি, নুংশিনবগী নত্তে, নুংশিবীবগীনি। মীওইবসি নুংশিবীবসু পাম্নে।

মীয়াম্না লাই নীংনরিবসিসু মীওইবা খুন্নাইবু নুংশিবা পোকপা ঙম্নবা পূক্লিং ৱাখল অমা থম্মোয়দা শাগৎপনি হায়বসু লৈরিবনি। লাইনীংবা অমা ওইনা উবা য়াবা কয়া য়াম্না লৈরবগে? লাইদু লাৎপা মীবুদি ফনা য়াম্না লৈরে, শেল তানবা মানবসু য়াওরবগুম ঙাঙনরবনি। লাইনীংবা হায়বদুদি ৱাহৈদগী ওইনা অদুম শীজিন্নবা মাল্লি। মী ওইনসু উদবা, শাজৎ-লীচৎ অমা ওইনা ৱারী শানবদা য়াওবা ওইবা মাল্লি। লাইগী ৱাদি ইনৈ নৈনদবা, হান্নগী ৱারীদু হঞ্জিন-হঞ্জিন লীনবা, মরৈককা খরা য়েৎনবা অদুতনি। লাই নীংবা মীশিংসি মরৈ য়াম্না কল্লি হায়বসু লৈরিবনি। মানা মানা নীংবদু চুম্মীদনি। লাইগী মরমদা মরৈ কল্লিবশিংসি লাই নীংবা মীনি হায়বদি য়ানদববু য়াওগনি। মখোয়গা য়েৎনবসি মমৈদদি লাইগী ৱা য়াওরক্তে, মানা হায়বতা তাও, মানা হায়রবদি য়াগদবনি হায়বরোমদা লাকপসু য়াওই হায়নরিবনি। লাইদু মান্নদবা, লাই অমা নীংবা মীগা লাই মান্নদবা নীংবা অমগসু য়েৎনবা লৈ। অমনা অমগী লাইদা শাওবা, লাইদবু চৈবসু লৈ, সৈতান হায়বসু লৈ। লাই মান্নদবগী চঙনদবসু লৈরি। লাই নীংবশিংবু য়ানীংদবগী ৱাসু নত্তে, লাই লৈবা অমসুং লৈতবগী ৱাসু নত্তে, লাই ফজবশিংনা তৌরিবসিবু করিনো হায়বদা লাকখ্রে। মীয়াম অমনা লাইগী মরমদা মতম মাঙবা অমসুং চমন্নমনা লৈবা অসি খন্নফম থোক্তবরা হায়বগী ৱাদুনি।

লাইগী মিংদা কাঙলূপ শাগৎনৈ, লাইগী মিংদা শেলসু খায়গৎনৈ, লাইগী মিংদা তোলোপ চানৈ, লাইগী ঈশৈ শক্লগা শেল তান্নে, লাইগী মিংদা লম কোয়নৈ, লাইগী মিংদা লৈবাক শাগৎনৈ, লাইগী মিংদা নিংথৌ শানরক্লি। করি থোক্লগদৌরি? মসিদবু লাইগী ৱা ঙাঙনদবা য়ারিব্রা? লাইগী মিংদা লান থোকহল্লগা মীওইবা খুন্নাই মূৎননবা হোৎনবা য়াওরক্লবা ফাওবদা লাইনীংশিং অসিনা মীওইবগী ফনবা তৌরি হায়খিগদ্রা? লাই হায়বসিবু মী পুম্নমক্কী ওইবা ঙল্লিব্রা? মী খরগী ওইনা লৈবদি কুইরে, মী অয়াম্বদি খঙবোয় খঙদবোয় তুং ইনবনা অয়াম্বনি হায়নৈ। লাই হায়বসি ইপা ইপুনি হায়বগী নীংবনি খনবসু লৈ। শেন্মী খঙদে, শেমদে খঙদে তাইবঙপানবসি শেম্বীবনি খল্লগা পঙনীংদা নীংনবনি, চাননা লাইনা তাইবঙপানবসি শেম্বনি হায়বা উহৌবা লৈবা নত্তে, হায়নবদগীতা থাজবনি। মদু থাজদবা মীওই মিলিয়ন মরি শুরবনি। ইপা-ইপুনি হায়বা নত্তবা অরাপ্পদগী লাইনি হায়বা (মী ওইনা পোকপা) অমদা হেক্তা থাজবা হায়বসিবু কয়া য়াম্না লাই হায়বসি খঙলবনি হায়বা য়াগদৌরিবনো? থাজবদু লাল্লি হায়বা নত্তে, কমদৌনা থাজখ্রিবা হায়বগী মরমদুনি খঙনীংলিবা। ইপা ইপুবু নুংশিজবগীদমক উমং লাই ওইনা লাৎচবা হায়বসিনা নীংজবা অশেংবনি। মদুগী মথক্তা ইপা-ইপুনা নুমিৎ-থা-মালেমসি শেম্লকপনি ককা হায়গৎলক্লবদি কাঙলূপ মরক্তসু নুংশিনবা শিৎনরক্কদৌরি খল্লি। খোঙ কাওশিন্নরিবা মালেমসিগী অনীশুবা তঙ্খায়রোমদগী লাক্লগা ঐবু শেম্বীরম্বনি হায়রবদি লান অসিতা নত্তে, মথং-মথং য়াম্না হাৎনরকখিনি। ইপা-ইপু নত্তে খঙনা পঙকিদা কিবা, পঙখুদা খুরুম্বা, লাই ওইনা পঙলৌদা লৌশিনবদি লাই নীংবগা মরী লৈনগদৌবা মাল্লক্তে। মী কিবা-কিদবা, পঙবা-শিংবা, লৈবাক শেম্বা ঙম্বা-ঙমদবগা মরী লৈনবা ওইগনি খল্লি। লাই হায়রি, মদুবু কদায় ফাওবা অচুম্বনি হায়বা শাজৎ অমা ওইগদৌরিবনো? পাংদবগী শাজৎ ওইবা থোক্লবদি মদুমক্না লৈবাক অমা মরায়-চায়থবা লোইরনি হায়রগনি। মী অয়াম্বদা শাজৎ অসি য়াওরিবনা লমদম অমা মাঙথরকপা হায়বসি মালেমসিগী মরায় চায়থরকপনি হায়বা তারকপদুনি। লাই থাজরিবশিংগী মরক্তা অপঙবা হায়বসি য়াম্না য়াওবা তারবদি লাই অদুমকসু মরাইবক থীরকই হায়রগনি। খুন্নাই অদুনা মূৎচখিবা তারকই, লাই নীংবসি তৌশিন্নবদি য়ারোইদবনি। লাইখায় তাবদি ঙমগদৌবনি। উদ্রি-উদ্রি।

লাই থাজবা লমদম অমগী লৈঙাক্না লৈখা তারকপা ওইরদি লাইমক্না তৌরকপা থবক নত্তে। লাইগী থৌরম হায়গদ্রা, লাই লাৎপদা থাজনবা ৱাৎনবদগী, থবক্তা থাজনরক্তবদগী, ৱাদু থাজনদবদগী, নুংশিনবসু শিৎনরকপা মশানা তারকই। লান থোক্লে, লাইদৌনা খল্লিঙৈদা লৈঙাক্কী লৌশিং নৈনহৌদ্রে হায়বা য়ারে, শেল-থুমগী ফীভম ফৎত্রে। থবক হৈতবগী চৈরাক ওইবা মতোমতা লাকচবা পরম্নি, লাইনা শিল্লকপা নত্তে। লাইগা শম্নবা লৈঙাক্কী থৌরমদা থাজবা অমদা লুপ্পা হায়বসি অচুম্বা ওইরক্তবসু য়াই। লাইগী ৱা ময়ামসি য়েৎননীংঙাই ওইবা ৱা য়াওই হায়বদগী মী মরক্তা নুংশিনবা শিৎনরক্লিবনি। লানশিংসে লাইগী মমি তাই, হাৎনরিবশিংসি লাই নীংবনি হায়। লাইবু লান্না উহল্লিবসি মখোয়সু য়াওশিল্লক্লি। চক অসি ফাওবদা লাইখায় তাবা ঙমদ্রিবা লাইগী ৱাসিনা মীওইবগী খ্বাইদগী শোনবা ৱাখল্লোন ওইরি। লাইদা পঙখুদা খুরুম্বা, নীংশিনবা মাল্লকপা অসিনা 'অন্ধ যুগ' নীংশিংহল্লি। লাইনীং হায়বসিনা খ্বাইদগী চাউনা শাগৎনরিবা ফূরুপ-কাঙলূপ-লূপ ওইজরবসু অমনা অমদা নুংশিবা ঙম্নদবা অসিনা খ্বাইদগী চাউনা নুংশিনবা শিৎনবগী লম্বীসু ওইরক্লি হায়রগনি। খুল্লক লৈরক্তা ফাও লাইনীং মান্নদবশিং নুংশিনবা ৱাৎনরি, হন্থনা য়েংনবসু কয়া অমা য়াওনরি। নুংশিনসিদি হায়নগনি, নুংশিনবা ঙমদ্রিবদি শাজৎ অদুননি। মমৈদদি লাইদা ওইনা নুংশিনবা শিৎলি, শেল মাঙই, মতম মাঙই হায়নরক্লিবা অসিনি। লাইবু লান্না থাজনবদগী লাইনীংবনি হায়বশিংবু লান্না থাজনবা অমসু য়াওরক্লি। নোংখোং কোয়বা ঙম্বা মী, শগোল অপাইবীগী দোলাই, শামু মকোক পানবা মী, মকোক তরা লোংবা, মখূৎ তরা পানবী হায়বশিং অসিদা অদুম থাজবা হায়বসি নুংশিনবা শিৎনবগী ৱাখল পোকহল্লি, অমনা অমবুসু থাজদবা হেলহল্লি। লাইদা ফাওবা মীনম্বা, চিন থীবা লাই অমগা মান্ননা লৌবা ঙম্নদবা অসিনা মালেমগী মীয়ামসিগী অমখক্তা ওইরবা লাই অমা লৈবা ঙমদ্রি। লাইশিংনা হায়রম্বা নত্তে, তুং ইল্লিবা লাইবু থাজরিবশিংনা পুন্নবা নৎত্রগা অমত্তা ঙাইবা লাইদুমক পুথোকপা ঙমজদবনি। হৌজিক্তি মদু পুথোকপা ঙল্লরোই, লৈতে। অদুদি লাইনীং মান্নদবশিং অসিদি নুংশিনবা য়ারোইদৌরি। য়াগনি, লৈত্রবা লাইদা থাজরোইদবনি, লাইনি হায়বশিংনা হায়রল্লিবা মহৌশাগী খূৎশেম অসিবু মুন্না খঙলগা থাজগদৌবনি। মদু তপ্না-তপ্না লাইনীং ওইরক্কনি। তৌবতবু হান্নগী লাইনীংগা মান্নরোই, লাই নীংবগী মতম মাঙনরোই, লাইগী ঈশৈ শক্লরোই, ইশম শম্না লাইগী মমিং শোন্নরোই। কাংলূপ খরদি হৌবু হৌনখ্রবনি।

নীংজবগী মহয় চাবা হায়বসি লাইনা পীরকপা নত্তে, পূক্লিং চঙনা হোৎনজমনগী মহয়নি। লাইনা পীবা ওইনা থাজবদু লানবনি। অমনা লাইদা নিরবসু ফংদ্রবদি লাইদা তায়নগদ্রা? অমনা কোয় খাকই, অমনা শম খাকই; খাক্তবশিংগা নুংশিনবা ৱাৎশিল্লকই। লাইনা নত্তে, শাজৎননি, শাজৎ খুদিংমক লাইনা হায়বা নত্তে। শাজৎ ফজদবা লাই নীংবশিংদি লাইগা মরী লৈনদে হায়গনি।

লাই নীংবা শারগা মীগী অচিৎ-অকোম য়েংলগা ঙাঙলবদি নুংশিনবা শিৎপা মশানা তাবনি। লাইগী ৱাদা মী উশিৎনদবা চিন থীনবা, শেল হাৎনবা, মীনম্নবা, লান্না পাউথোক্লবা কয়াদগী নুংশিনবা শিৎনরিবসি লাইনীংদা চেকশিনবা ৱাৎপগী মমি তারিবনি। নুংশিনবা নুপী ফাওবা হাৎপা ঙম্নরক্লিবসি লাইগী মিংদা ওইবগী থম্মোয়দা নুংশিবা লৈ হায়বা য়ারোই। লাই নীংবসি ইতোমতা নীংবনা য়ারোই। মদুগীদমক লাইবুং লিংনরিবনি, চানবখক্কী নত্তে, নুংশিননবনি।

ঙসিদি লমদম অসিদা মী অমা ওইনা লৈবা ফংবগী লৈঙাক্না ঙাকপী শেনবীগনি হায়বগী থাজবা মাঙখ্রে। মালেমসি ঐখোয়গী শরুক য়াওরি হায়বগী থাজবসু পীকশিল্লক্লে, লৈঙাক্তা থাজবা লৈত্রে। মীওই খরনা মী মরক নুংশিনবা শিৎহল্লে, লৈঙাক্লোইশিংবু মীয়াম্না নুংশিবসু শিৎহল্লে। কৈদৌঙৈ হঞ্জিল্লক্কনি হায়বগী থাজবসু লৈত্রি।

ওজা-গুরু, অহল-লমন, মমা-মপা ওইবশিংনা মচা-মশুশিংদা নুংশিরিবা অসিবু করি করম্বা মওংদনো খঙনরক্ত্রে। অপোকপা মমা-মপা অমমতমক নুংশিরগা লোইরবরা? দ্রগ পীজরগা নুংশিরিবা শাবা য়ারোই। লাইনসু খুরুম্লিবা মীতমক নুংশি হায়বা য়ারোই। ইপাতমক নুংশিবা, ইমাতমক নুংশিবা, ইচাতমক নুংশিবা হায়বসি মী মরক্তা নুংশিনবা শিৎননবনি। অদুগুম্বা মীয়াম অমনা লৈবাক অমা নুংশি হায়বসি থাজবা ৱাগনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৪

১) **''বোমা তাদুনা লৈবাক কাইনখিবদগী ফোংবা ঙমদদুনা লৈরুবনি। মরুপ মপাং ময়াম্না ঐগী লাইরিক অতৈ পাবিরগা পিবিরকপা উৎসাহদগী লাইরিক অসিমসু ফোংবা ঙমজরি।''** মথক্কী ৱাহৈ পরেং অসি লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা অইবনা পনবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অদুগী মমিং করি কৌবগে?

২) "The Recluse in Solitude Speaks" হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবগী মমিং হায়য়ু।

৩) **''অহিং অমগী ৱারী''** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মপানগী অইবা অমগী ৱারীমচাগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপা ৱারীমচা অমগী মমিংনি। লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে অমসুং কনানা ইবনো?

৪) **''হোচীমিনগী মঙালদা ঙাওজরুই''** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) **''নীংশিংবগী পোত্থাশঙ''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৩গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৩)
২) তোংব্রম সুনিতা, কোংবা নোংথোম্বম লৈকায় - (২,৩)
৩) রাজকুমার গেরীন, পুরানা রাজবারি নোংমৈবুং, ইম্ফাল ইষ্ট - (২,৩)
৪) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩)
***৫) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪)***
৬) তোংব্রম জেমসবোন্দ, তাকয়েল কোলোম লৈকায়- (২,৩)
৭) মাইবম কাংজাম্বা মৈতৈ, লোইতাং খুনৌ মনীং লৈকায় - (১)
৮) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,২,৩)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৯৩গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৯৩গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৩গী পাউখুম

১) রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী ''গীতাঞ্জলি'' (১৯৬৪) হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা রুপান্তর তৌরিবসি কনানো? **পাউখুম :- রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী ''গীতাঞ্জলি'' (শৈরাংব) বু মণিপুরীদা রুপান্তর তৌবা - শ্রীমীনকেতন সিংহ, খুৎনম : অহানবা ১৯৬৪ ইং।**

২) **''পূন্সি লম্বী চৎপদ''** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং কনানা ইবনো? **পাউখুম :- লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচাগী লাইরিক, অইবা - ও কুবের, ফাষ্ট পব্লিস; ২০১৫।**

৩) **''ঐদি চীংদা শাৎপীনি''** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **পাউখুম :- অইবা - হিজম গুণ, লাইরিক্কী মখল - নোবেল, অহানবা ফোঙবা : জুন, ২০১৩ ইং।**

৪) **''হীকথরবা শম্বুল''** (২০১১) হায়রিবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? **পাউখুম :- অইবা - এস মোহেন্দ্রো, লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচাগী লাইরিক, অহানবা ফোঙবা : মে, ২০১১।**

৫) **''পূন্সি লীলা লোইবদা**
**নঙগী নাক্তা লাকচগে**
**ঐগী তাইবং লোইবদা**
**নঙগী সংসার উজগে।''**

মথক্কী ঈশৈ শৈরেং অসি ইরিবা শৈরেংবসি কনানো? লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।

**পাউখুম :- শৈরাংবা - একেন্দ্রা তেনসুবা, লাইরিক্কী মমিং-চাকচা-য়ুথক, অহানবা ফোঙবা : ফেব্রুৱারী, ২০১৩ ইং।**

# পোং নিংথৌ অমসুং মীতৈ নিংথৌগী লান্মী খূৎপুনা খম্পাৎ লান তাবা অমসুং পোং মীতৈ ঙমখৈ য়াৎথোক্লবা -৪

## (মীতৈ অরিবা লাইরিক 'শোরারেল মচানা খুনকুম্বা' গী মতুংইন্না)

– মংলেমজাও সিংহ সোরোকখাইবম –



**রিটাইয়র্দ আই পি এস**
**এক্স ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস, মণিপুর**

শুপুতফানা চহী ২৮ পাল্লবা মতুংদা **কাইমেত লকলিদা** নোঙ্গাখি। অসিগী মতুংদা মনাও অতোনবা শুহুপফানা নিংথৌ ওইরে (আর বি পেম্বরটনগী মতুংইন্না চহী খৃ: ১৩৬৮) শুহুপফানা মায় পাক্না চহী ৩ পাল্লক্লবা মতুংদা মহাক্না অচৌবা লান্মী অমগা লোয়ননা মপা নিংথৌবু মীনুংশি য়েংদনা চাইনাগী লান্মীদা শিন্নখিবগীদমক অৱা লৈবাক্তা লান তারম্মী অমসুং মতমদুগী বর্ম্মা কোনুং সগাইং লৌশিনখি। অসুম্না মহাক্না চহী ২৯ পাল্লবা মতুংদা **কাকাও লকলিদা** নোঙ্গাখি। *(footnote- BR Pemberton P-112 A very unexpected confirmation of the event was found in Appendix of Crawford's Embassy to Awa, the destruction of Zakaing (Sagaing) and Penya is mentioned as having been effected in the year 1364 AD major Burney also discovered the same circumstances recorded in the 6th vol. of the Maha Yazawan or the Great History of Ava, where the destruction of both cities is said to have been effected by the Shan king Thokyenbwa)*

**শুহুংফা** - শুহুপফানা লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাক্কী ময়াম্বগী মচা শুহুংফানা পোং নিংথৌ ওইরে। মাগী মচা মরি পোক্লে। মমিংশিংদি (১) শুহেনফা (শুহুঙখম) (২) হুংসে (সাতাপানসং) (৩) চাও-শি-নোক (৪) শৌরমখমনি।

অহুংফানা পাল্লিঙৈদা মচা অহল শুহেনফানা অৱা লৈপাক চাইখাই (থুগাইবা); অনীশুবা মচা হুংসেগী লান্মীনা মোংয়াঙ চাইখাই; অহুমশুবা মচা চাও-শি-নোকনা ককসা লৈপাক চাইখাই; অতোনবা শৌরমখমগী লান্মীনা খমপাত চাইখাই। অসুম্না শুহুংফানা চহী ৫০ পাল্লম্লগা **কশৌ লকলিদা** নোঙ্গাখি।

**শুহেনফা** - অদুগী মতুংদা শুহুংফাগি মচা অহল শুহেনফানা পোং নিংথৌ ওইদুনা মুংকোং (Mogaung) দা কোনুং ওইনা পাল্লে। মহাক্না মচানুপা অমা পোক্লে অইপেংফা-নাখম কৌই, অদুগী মতুংদা মচানুপী অনী পোকই মমিংনা অনাংয়ি-কানকমফোং অমসুং অতোনবীদুনা নাংঙৈ-চোইখমখু কৌই। মচানুপী অনী অসিনা মপূং ফারক্তুনা থাজবা য়ারক্লবা মতমদা মাগী মখা থাবা নিংথৌ পুম্নমক্তা মচানুপী অনী অসিবু থাজনবা পাউ চেল্লম্মী। মদুগী মতুংইন্না মুঙয়াং নিংথৌনা মচানুপী অহল অদুবু পীবিনবা হায়জরক্লম্মী অদুগা খম্পাৎ নিংথৌনা মচানুপী য়াইমদুবু মঙোন্দা পীবিরক্লবসু হায়জরক্লম্মী। পোং নিংথৌ অহেনফাশু হায়জরক্লিবা অনীদু য়াবিরম্মী। অদুগা মথংগী চহী **কাপনি লকলিগি** য়াম্না ফবা নুমিৎ অমদা মচানুপী অহলবু মুঙয়াং নিংথৌদা থিলম্মী; অদুগা মথংগী চহী **হাইশি লকলিদা** খমপাৎ নিংথৌদা থিলম্মী। অদুবু মচানুপী অতোনবী থিনবগী লম্বী মুংয়াং ফাওরকপদা মুংয়াংদা ওংখিবা মচেনা লম্বীদা থৎলম্মী অদুগা মনাওদা থেম্মে-মচেম্না মনাওদা হায় ''নঙনা খমপাৎ তান্না লাপ্পা চৎখ্রবদি ইচিল-ইনাও ঐখোয় অনী পূন্সিগী ওইনা তাম্নখ্রগনি ঐগী অৱা-নুংঙাইবদা নঙগা উনররোই অদুগা নঙগী অৱা-নুংঙাইবদা ঐগসু উনররোই অদুনা ইচিল-ইনাও ঐখোয় অনী পুন্না মোংয়াং নিংথৌদা লৈমিন্নরসি হায়না থেল্লম্মী। মমৈদা মচেনা থেম্বদু য়াদুনা মনাওসু মোংয়াং নিংথৌদা পীরে। মখোয় অনীমক মোংয়াং নিংথৌগী লৈমা ওইরে। পাউ অদু তাবদা খমপাত নিংথৌনা শাওরে অদুনা পাউমী অমা থারক্তুনা মচানুপী পিদ্রবসু অউনপোৎতং অদুদি ঐঙোন্দা পীরো অদুগা চহী অহুমগী লোইপোৎ ঙাকপীরো অকোইবদা হাও-নাই কল্লি অদুনা পন শাগে হায়না পোং নিংথৌদা হায়রে। পোং নিংথৌসু চুপ্লে হায়দুনা চহী অহুমগী লোইপোৎ ঙাকপীরে। খমপাত নিংথৌনা পূক্লিংদা পোং নিংথৌগী মথক্তা লান তৌরগে খল্লদুনা থাঙ্গা পাৎ চাউনা তৌরে, লানবন শারে। মতম খরা লৈরবা মতুংদা নিংথৌ শুহেনফা পোংগী অঙম্বা চাওলাংহাই কৌবা অমা মীতৈ নিংথৌদা থারক্লম্মী।

'পোং নিংথৌনা মীতৈ নিংথৌদা পোংগী অঙম্বা চাওলাংহাই থারকপা' - অসুম্না পোং নিংথৌ শুহেনফানা মাগী মনাই অচানবা (নোবলমেন) চাওলাংহাইবু থারক্তুনা মীতৈ নিংথৌদা 'ইশু মীতৈ নিংথৌ নঙনা নচানুপী (লৈমা) অমা পীরকও' হায়না পাউ থারকই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।